# য়ুএসকী ৱার্নিং মরক্তা রেজিমগী প্লেনশিং সিরিয়াগী হসাকেহদা পাইখ্রে



বৈরুট, ওগষ্ট ২০ ঃ
য়ু এসনা অনৌবা এয়র ষ্ট্রাইকশিং চথুদনবা অকনবা ৱার্নিং পীবা লৈনা-লৈনা সিরিয়ন গভর্ণমেন্টকী ৱার প্লেনশিংনা মরু ওইনা ঙসি থাংজগী অয়ুক্তা কর্দিষ্টশিংনা পায়শিন্দুনা লৈরিবা হসাকেহ সিটিদা পাইখ্রে। অনৌবা ষ্ট্রাইকশিং চথবনা কোলিসনগী মিলিটরি এদভাইজরশিংবু খুদোংথীবা নংহনবা য়াই হায়রদুনা য়ু এসনা অনৌবা এয়র ষ্ট্রাইক অমত্তা চথুদনবা ৱার্নিং তৌখিবনি হায়না মোনিটর অমনা হায়রি।

অহিং চূপ্পা নোংথক্তা পাইখিবা প্লেনশিং অদুনা বোম্মিং চথুখিব্রা চথুখিদব্রা হায়বদি খঙবদি ঙমখিদে। মখাদা অর্টিল্লরি কন্না কাপ্পখিবদগী এরিয়েল বোম্মিং কেম্পেইন চথুখি নৎত্রগা চথুখিদে হায়বদু খঙবা ঙমখিদবনি হায়না সিরিয়ন ওবজার্ভেটরি ফোর হ্যুমেন রাইটসনা হায়খি।

য়ুমশকৈশা নুমিৎতা প্রো-গভর্ণমেন্ট মিলিস্যা অমসুং য়ু এসনা বেকিং পীবা কর্দিশ ফোর্সশিংগী মরক্তা অকনবা মওংদা খুৎ থোক্লখি। মদুগী মথংগী নুমিৎতা রেজিমনা কর্দশিংগী মথক্তা ইহান হানবা এয়র ষ্ট্রাইকশিং পাঙথোকখি।

সিরিয়ন এয়র ফোর্সকী মায়োক্তা ৱার প্লেনশিং দিপ্লোই তৌবগী ৱাফম কোলিসন্না ইহান হান্না কনফার্ম তৌখিবনি। পেন্টাগনগী স্পোক্সমেন কেপ্টেন জেফ দাভিসনা পীখিবা চেকশিন-ৱারোল অমনা হায়খি মদুদি, 'সিরিয়ন রেজিমনা কোলিসন ফোর্সশিংবু খুদোংথীবা নংহনগদবা থবক অমত্তা তৌরোইদবনি।'

ওবজার্ভেটরি অদুনা হায়খি মদুদি, গ্রাউন্দদা শোক্লরিবা লাল হন্থবা লৈতে। য়ুমশকৈশা নুমিৎতগী কাপ্পরকপদা মীওই ৩৯ শিখ্রে। মখোয়গী মনুংদা ২৩ দি মীচমশিংনি অমসুং মখোয়গী মনুংদা অঙাং মাপন য়াওই।

'অহিং চূপ্পা অকনবা মওংদা নোংমৈ কাপ্পখি, আর্টিলরি কাপখি অমসুং রোকেট এটেক কয়া চথুখি। লাল অদু অয়ুক্তসু কন্না শোক্লখি' হায়না ওবজার্ভেটরি অদুগী মকোক রামি অব্দেল বেহমননা এ এফ পিদা ফোঙদোকখি।

হসাকেহগী শরুক অহুম থোকপগী অনী কর্দিশ ফোর্সশিংনা কন্ট্রোল তৌই, তৌইগুম্বসু লেমহৌরিবশিং অদুনা প্রো-গভর্ণমেন্ট মিলিস্যাশিংগী খুৎতা লৈ।

রেজিম অমসুং কর্দিশ ফোর্সশিংগী কম্মন ওইবা য়েক্লবদি ইস্লামিক ষ্টেটনি। তৌইগুম্বসু হসাকেহদা মখোয়গী মরক্তা টেন্সন লৈদুনা লাক্লি। নাকল অনীগী কম্মন য়েক্লবা ওইরিবা ইস্লামিক ষ্টেটনা লমদম অদুগী খা থংবা শরুক্তা য়ুফ্রেটিস তম্পাক্কী অয়াম্বা শরুক কন্ট্রোল তৌরি।

# ইস্লামিক মিলিটেন্টশিংগী থবক থৌওংশিং ফেল ওইহন্নবা জর্মনিনা অনৌবা এন্টি-টেররর প্লান পুথোক্কদৌরি

বোন, ওগষ্ট ২০ ঃ
জর্মনিগী অনৌবা এন্টি-টেরর প্রপোজেলশিংগী মখাদা নেসনেলিটি অনীগী খুদোংচাবা শিজিন্নরিবা মীওইশিংনা করিগুম্বা মপান্দা ওপরেট তৌরিবা লালহৌবা ইস্লামিষ্ট গ্রুপশিংগী থবক তৌরম্বা নৎত্রগা লালহৌদুদা য়াওরম্বা থোক্লবদি মখোয়গী জর্মন সিটিজেন্সিপ অদু মাংগনি হায়রি।



ইন্টরিয়র মিনিষ্টর থোমাস দি মাইজিয়রনা মীরৈবাক্কী ক্রিমিনেলশিং মশা-মশাগী লমদা থুনা থাবা য়ানবগী থৌরাংশিংসু লাউথোকখ্রে। লোয়নন্না জর্মন পুলিসকীদমক্তা অহেনবা পর্সনেল, ইক্বিপমেন্ট অমসুং সর্ভিলেন্স পৱারশিংসু লাউথোকখ্রে।

তৌইগুম্বসু মহাক্না মীয়াম তিনবা মফমশিংদা ইস্লামিক নুপীশিংনা বুর্কা শিজিন্নবা থিংবগী ৱাফমবুদি রিজেক্ট তৌখ্রে। মহাক্কী কঞ্জার্বেটিভ ক্রিষ্টিয়ন দেমোক্রেট (সি দি য়ু) গী কোলিগ খরনা বুর্কা শিজিন্নবা থিংনবগী ৱাফম হৌদোকখি। তৌইগুম্বসু মিনিষ্টর অসিনা অদুগুম্বা খোঙথাং অদু প্রোব্লেম কয়া লাক্লিংঙাই ওই হায়রদুনা মহাক্না 'নহাক্না পামদবা, য়ানিংদবা খুদিংমক বেন তৌবা ঙম্লোই' হায়খি।

দি মাইজিয়রনা ৱাফমশিং অসি হন্দক্তা লৈবাক অদুদা চথুখিবা মিলিটেন্ট ইস্লামিষ্টশিংগী এটেকশিংগা মরী লৈননা ফোঙদোকখিবনি। হৌখিবা থাদা ৱুজবর্গ অমসুং অন্সবাকতা চথুখিবা টেরর এটেক অনীনা জর্মনি পুম্বা থম্মোয় কায়হনখি।

ঐহাক্না প্রপোজ তৌরি মদুদি অতোপ্পা লৈবাকশিংদা টেরর মিলিসিয়াশিংগা লোয়ননা লাল শোক্ল রিবা অমসুং লৈবাকশিং অদুদা চথুরিবা কম্বেট ওপরেসনশিংদা শরুক য়ারিবা জর্মন সিটিজনশিংগী ওইনা করিগুম্বা মখোয়দা অনীশুবা নেসনেলিটি অমা পায়রম্বা থোক্লবদি অসিগুম্বা ফীভম অসিদা মখোয়গী জর্মন সিটিজনশিপ অদু মাংগনি' হায়না মহাক্না ন্যুজ কনফরেন্স অমদা হায়খি।

হন্দক্তা ফ্রান্সতা জিহাদিষ্টশিংবু ফ্রেঞ্চ সিটিজনশিপ পায়হন্দনবগী খোঙথাং অমা লৌখৎখি তৌইগুম্বসু মদু পার্লিয়ামেন্টদা পুথোক্তুনা তৌফম থোকপদি তৌদ্রি।

জর্মন মিদিয়া রিপোর্টনা হায় মদুদি, সেন্টর-লেফট সোসিয়েল দেমোক্রেটশিং (এস পি দি)-সি দি য়ুগী কোলিসন পার্টনরশিংনা দ্যুঅল সিটিজনশিপতা জেনরেল ওইনা অথিংবা থম্বগী ৱাফম কন্না ওপোজ তৌই। গ্রীনশিংসু খোঙথাং অসিগী মায়োক্তা লৈ হায়রি।

অনৌবা খোঙথাংশিংগী মনুংদা অমদি টেররিজমবু ক্রিমিনেল ওফেন্স অমা ওইহনবনি।

ক্রিমিনেলশিংবু মরী লৈনবা লৈবাকশিংদা থাবগী মতাংদা দি মাইজীয়রনা হায়খি জর্মনিদা মখা তানা লৈথবা য়ানবগীদমক্তা অহেনবা আইদেন্টিটিশিং শিজিন্নবা মীরৈবাকমচা ওফেন্দরশিং লেম্না থাররোই।

পেরিস নৎত্রগা ব্রসেলজদা থোকখিবগুম্না জর্মনিদা হৌজিক ফাওবা অচৌবা কো-ওর্দিনেটেদ টেরর এটেক অমত্তা থোক্ত্রিবনি।

ইন্টলিজেন্সকী সিনিয়র ছোর্স অমনা বি বি সিদা হায়খি মদুদি, ইস্লামিক ষ্টেটনা লৈবাক অদুদা রিফ্যুজিশিং শাদুনা হিট স্কৱাদশিং থাখ্রে হায়রিবা রিপোর্টশিংগী মতাংদা মহাক্কী এজেন্টশিংনা ইনভেষ্টিগেসন চথুরি। অসিগুম্বা এটেকশিং চথুরকপা য়াবগী রিস্ক য়াম্না ৱাংই হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

অদুগুম্বা থ্রেটতা লাকপা পোলিটিকেল রিয়েক্সননা মথং চহীদা পাঙথোক্কদৌরিবা জেনরেল ইলেক্সনগী কেম্পেইন দোমিনেট তৌগনি। হৌজিক ফাওবদা ৱাফম অসিনা অকনবা দিবেট অমা লাকহনখ্রে। মদু দোমেষ্টিক সিক্যুরিটিগী ঙমখৈদগী য়াম্না হেন্দোক্লা চৎলি হায়রি।

রাইট-ৱিং পোপ্যুলিষ্টশিংগা মায়োক্ল বদা ভোট খরা মাংবা উবা মাইজীয়রগী ফেলো কঞ্জার্ভেটিভ খরনা মহাকপু বুর্কা বেন তৌহনবা অমসুং দ্যুঅল সিটিজনশিপবু অনলোফুল ওই হায়না লাউথোকহনবা পামই।

# য়ু এস, য়ুক্রেন্না রসিয়াগা টেন্সন হেনগৎলকপগী ফীভম লোইশিনবা পাম্লি

ৱাশিংটন, ওগষ্ট ২০ ঃ মোস্কোগা টেন্সন হেনগৎলক্লিঙৈ তাল্লক্তা য়ু এসকী ভাইস প্রসিদেন্ট জো-বিদেন অমসুং য়ুক্রেনগী প্রসিদেন্ট পেত্রো পোরোসেনকোনা ফোনদা ৱারী শানবদা প্রো-রসিয়ন সেপ্পরেটিষ্টশিংগা চথনরিবা মুক্লবগী ফীভম অদু অথুবা মতমগী মনুংদা লৈখাই তাথোকপগী তঙাই ফদবা লৈ হায়না ফোঙদোক্লখ্রে।

হন্দক মতম খরা অসিদা ইষ্টর্ন য়ুক্রেন্দা খুৎ থোক্লবগী চাং হেনগৎলকপগী ফীভম অমা লাক্লিবদুদা বিদেন অমসুং প্রোরোশেনকোনা নুংনাংবা ফোঙদোক্লখি। লমদম অদুদা হৌখিবা কুমজা ২০১৫ দগী রসিয়ন-সেপ্পরেটিষ্ট ফোর্সশিংগী অপুনবনা চথরকখিবা সিজফায়র থুগায়বগী থৌওংশিং খ্বাইদগী ৱাংবা লেভেলদা লৈখি। মখোয়না অচৌবা খুৎলায়শিংসু শিজিন্নখি হায়না ইরাই নুমিত্তা হ্বাইট হাউসকী ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়খি।

কিভ অমসুং ৱেষ্টনা রসিয়াবু ইষ্টর্ন য়ুক্রেন্দা সেপ্পরেটিষ্ট রেবেলশিংবু শৌগৎপা অমসুং বোর্দর ৱাংমা লান্না ত্রুপশিং দিপ্লোই তৌই হায়না মরাল শীখি। অমরোমদা শীরিবা মরালশিং অদুবু মোস্কোগী মায়কৈদগী য়ানিংদবা ফোঙদোক্লি।

পার্টি খুদিংমক্না মিনস্ককী এগ্রীমেন্টশিংবু মপুং ফানা ইমপ্লিমেন্ট তৌবগী খুৎথাংদা কনফ্লিক্ট অদুগী পোলিটিকেল অমসুং দিপ্লোমেটিক্কী ওইবা লৈখায় তাবগী ফীভম অমা পুরকপগী তঙাই ফদবা লৈ হায়না বিদেন অমসুং পোরোশেনকোনা নৌহৌননা পনখি' হায়না ষ্টেটমেন্ট অদুনা মখা তাখি।

# য়ু কে এম্বেসিদগী চেনখিবা দিপ্লোমেট 'খন্দোকখাক' সেক্স ক্রিমিনেলনি : নোর্থ কোরিয়া

সিওল, ওগষ্ট ২০ ঃ বৃটেনদগী সাউথ কোরিয়াদা চেনশিনখিবা নোর্থকী দিপ্লোমেট অদু অঙাং রেপ তৌবা য়াওনা মখল-মখা কয়াগী ক্রাইমশিংগীদমক্তা পীরক্কদবা চৈরকশিংদগী নাম্থোক্লবগীদমক্তা থৌওং অদু চথুখিবনি হায়না নোর্থ কোরিয়াগী ষ্টেট মিদিয়ানা থাংজ নুমিৎতা ফোঙদোকখ্রে লোয়ননা পিয়োং য়াংনা মহাকপু ৱায়েল চথনবা লৈবাক অদুদা থারক্লবা হায়খ্রবনি হায়রি।

কে সি এন এ ন্যুজ এজেন্সিগী কম্মেন্টরিনা দিপ্লোমেট অদুগী মশক মমিং পনখিদে তৌইগুম্বসু য়ুমশকৈশা নুমিৎতা সাউথ কোরিয়ানা লাউথোরকখিবা অমদা থে য়োং হো কৌবা লন্দনদা লৈবা নোর্থ কোরিয়াগী এম্বেসিদা দেপ্যুটি এম্বেসেদর ওইবা দিপ্লোমেট অমা সাউথ কোরিয়াদা মহাক্কী ইমুংগা লোয়ননা থুংলরে হায়খি।

সাউথ কোরিয়ন গভর্ণমেন্টকী মতুং ইন্না, থে অসি মালেমগী লৈবাকশিংগী নাইতোম তারবা নোর্থ কোরিয়াদগী রাইভল দেমোক্রেটিক সাউথতা দিফেক্ট তৌবা খ্বাইদগী ৱাংবা থাক্কী দিপ্লোমেটনি।

'মদুগী মীচেল অদু হৌখিবা জুন থাদা ষ্টেটকী ফন্দ ময়াম শেরান-তুরান্না শিজিন্নরম্বা, লৈবাক্কী অরোনবা কয়া য়োম্থোক্লম্বা অমসুং অঙাং রেপ তৌবগা মরী লৈননা কৌখৎনবা ওর্দর থোকখিবনি' হায়না কে দি এন এনা হায়খি। নোর্থ কোরিয়ানা লন্দনদা মহাক্না চথুখিবা ক্রাইমশিং খঙহনখিবগা লোয়ননা মহাকপু শিন্নরক্লবা হায়জখি।

তৌইগুম্বসুং মীচেলশিংবু পাসপোর্টশিং ফাওবা য়াওহন্দনা সাউথ কোরিয়ন পপেটশিংদা শিন্নদুনা বৃটেন্না লো ঙাক্না চৎপা লৈবাক অমনি হায়বগী ইমেজদুদা শোকহঞ্জরে অমসুং লৈবাক্তুদা লৈরিবা দিপ্লোমেটশিংবু প্রোটেক্সন পীবগী মথৌদু থৌশাদ্রে হায়না কে সি এন এনা হায়খি। বৃটেনগী ফোরন ওফিসকী স্পোক্সমেন অমনা নোর্থকী ৱাফমদুদা খুদক্তা কম্মেন্ট পীখিদে।

# নোর্থ অফঘানিষ্টান্দা টালিবাননা ষ্ট্রেটেজিক দিষ্ট্রিক্ট অমা খুদুম চনখ্রে

কাবুল, ওগষ্ট ২০ ঃ
অফঘানিষ্টানগী নোদর্ন প্রোভিন্স কুন্দুজদা ঙসি অফঘান টালিবাননা ষ্ট্রেটেজিক দিষ্ট্রিক্ট অমা পায়শিনখ্রে অমসুং ত্রুপশিংবু প্রোভিন্সিয়েল কেপিটেলদা হন্দোকহনখ্রে। কেপিটেল অসিমক হৌখিবা চহীদা মতম খরা লালহৌবশিংনা পায়শিন্দুনা থমখিবনি।



খা থংবা অমসুং নোংপোক থংবদা লৈবা মহৌশাগী ষ্ট্রোহোল্ডশিংদগী মতম অমদা পিছফূল ওইরম্বা অৱাংথংবা শরুক্তা লালহৌবগী ঈরাং শন্দোকখিবদগী লৈবাক অদুদা লালহৌবশিং অমসুং গভর্ণমেন্ট ফোর্সশিংগী মরক্তা লাল কনখৎলকখি।

ঙসি অয়ুক অঙনবদা মিলিটেন্টশিংনা খানাবাদ দিষ্ট্রিক্ট পায়শিনখি। অতৈ দিষ্ট্রিক্ট কয়াদসু লাল কন্না শোক্লরি হায়না ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখি।

মিলিটেন্টশিংনা পায়শিনখ্রবা দিষ্ট্রিক্ট অদু ষ্ট্রেটেজিক্কী ওইনা মরু ওই হায়না লৌনৈ। দিষ্ট্রিক্ট অদুনা কুন্দুজবু তাখর অমসুং অতৈ নোদর্ন প্রোভিন্সশিংগা শম্নহল্লি।

টালিবান্না দিষ্ট্রিক্ট অদুবু তোঙান-তোঙানবা পোজিসনশিংদগী এটেক তৌখি অমসুং ঐখোয়না মতম খরা অথিংবা পীখি তৌইগুম্বসুং ঐখোয়না সপ্পোর্ট অমত্তা ফংখিদে। মমৈথংদা দিষ্ট্রিক্ট অদু টালিবানগী খুৎতা তাখি হায়না খানাবাদগী চীফ হয়াটুল্লা অমিরিনা হায়খি।

কাবুলদা অফঘান ওফিসলশিংনা হায়, নোংমৈ মরুনচিংবা মচাক-মথুম ৱাৎপা অমসুং লাম্মী খরা থাজল্লক্কদবসু য়ৌরক্তবনা মরু ওইবা মরম ওইদুনা দিষ্ট্রিক্ট অদু টালিবানগী মখুৎতা তাখিবনি।


নেটোনা লুচিংবা কোলিসনবু টালিবাননা অফঘানিষ্টান্দগী তান্থোকখিবা অমসুং ইস্লামিক লো চৎনহন্নবা লাল হৌখিবনি।

টালিবান্না ঙসি খানাবাদ দিষ্ট্রিক্ট লৌশিল্লিবসি সুপ্নগী নুমিৎ মঙানিগী মমাঙদা মখোয়না য়ুমথংনবা বাঘলান প্রোভিন্সতা দিষ্ট্রিক্ট অমা কেপচর তৌখিবা মতুংদনি। মখোয়না মমাঙগী দিষ্ট্রিক্ট অদুদগী গভর্ণমেন্ট ফোর্সশিংগী গাড়ী অমসুং য়াম্লবা খুৎলায়গী মচাক-মথুম কয়া ফংখি।

প্রোভিন্সিয়ল কেপিটেল কুন্দুজ ইহান হানবা ওইনা হৌখিবা চহীগী সেপ্টেম্বরদা টালিবানগী খুৎতা তাখি। মদু য়ু এস অমসুং কোলিসন ফোর্সশিংনা মখোয়বু কুমজা ২০০১ দা পৱারদগী লৌথোকখিবা মতুংদা খ্বাইদগী চাউবা মখোয়গী মাই পাকপশিংগী মনুংদা অমা ওইখি।

মতম তেল্লবসু তেন্না কুন্দুজ সিটিবু টালিবান্না পায়শিন্দুনা থমখিবা অদুনা লমদম অদুদা লালহৌবশিং অসিগী মপাঙ্গল হেনগৎলক্লি হায়বদু তাকপগা লোয়ননা সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা লালগীদমক শেম শাবগী চাং ৱাৎলি হায়বদুসু উৎলি। হৌজিক অফঘান সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা মশাগী হৈনবী মওংদা লাল শোক্লরি। ইন্টরনেসনেল ত্রুপ অয়াম্বদি কুমজা ২০১৪ দা মখোয়গী কোম্বেট মিসন লোইখ্রবনি।

# টেররিষ্টশিংগী মায়োক্তা চথবা করাচি ওপরেসন লোইশিনখিরোই, তপথবগী ৱাফমসু লৈতে : শরিফ



ইস্লামাবাদ, ওগষ্ট ২০ ঃ
মথং থাদা চহী অহুম মপু ফাগদৌরিবা করাচি ওপরেসন অদু অথুবা মতমগী মনুংদা লোইশিনবগী ৱাফম লৈতে অমসুং সিটি অদুদা পিছ হঞ্জিনহন্নবা হোৎনবগী থবকশিংদা কম্প্রোমাইজ তৌবগী ৱাফম লৈরোই হায়না পাকিস্তানগী প্রাইম মিনিষ্টর নৱাজ শরিফনা হায়খ্রে।

সিটি অদুদা হৌজিক পায়খৎলিবা ফেদরেল গভর্ণমেন্টনা ফন্দিং তৌবা হৌজিক পায়খৎলিবা প্রোজেক্টশিংগী ফন্দশিং রিলিজ তৌবদা অপনবা অমত্তা লৈহল্লোয় হায়না মহাক্না অচেৎপা থাজবা পীখ্রে হায়না ওফিসলশিং অমসুং ছোর্সশিংনা ফোঙদোকখি। অনৌবা ৱারেপ অদু মহাক্না ইরাই নুমিৎতা করাচিদা লাকখিবা মহাক্কী নোংমগী খোঙচৎতা ফোঙদোকখিবনি। খোঙচৎ অদুগী পান্দমদি করাচি সিপ-য়ার্দ অমসুং ইঞ্জিনিয়ারিং ৱার্ক্স (কে এস ঈ দব্লিয়ু) দা পাকিস্তান নেভিগী ফ্লীট টেঙ্কর লোঞ্চ তৌবনি হায়না দোনগী ওনলাইন পাউনা হায়খি।

তৌইগুম্বসু সিন্দগী গভর্ণর অমসুং চীফ মিনিষ্টরগা লোয়ননা চথুখিবা অতেনবা মীটিং অমদা শরিফনা ওগষ্ট ২৩ দা পাঙথোক্লবা লেপ্পবা মীফম অমগী এজেন্দা খঙহনখি। মীফম অদুদা টেররিজমগী মায়োক্তা পায়খৎপা নেসনেল এক্সন প্লানগী মথংগী ফেজ ইমপ্লিমেন্ট তৌনবগীদমক্তা লৈবাক অদুগী প্রোভিন্সশিংদগী ইনপুটশিং লৌগনি।

প্রাইম মিনিষ্টরবু মরু ওইনা করাচিদা লৈরিবা সিক্যুরিটিগী ফীভমগী মতাংদা ব্রীফ তৌখি লোয়ননা প্রোভিন্স অদুগী জেনরেল সিক্যুরিটি ফীভমসু খঙহনখি হায়না দোন ওনলাইন্না ওফিসল অমনা পল্লদুনা হায়খি।

প্রাইম মিনিষ্টরনা লো-ইনফোর্সমেন্ট এজেন্সিশিংনা পায়খৎলিবা থবকশিংবু থাগৎখি অমসুং তুং কোয়না পিছ লিংবগী পান্দম অদু ফংবা ঙম্নবা পীবা য়াবা মতেং খুদিংমক পীগনি হায়খি হায়না মহাক্না মখা তাখি।

করাচিগী ওপরেসন অদু কুমজা ২০১৩ গী সেপ্টেম্বরদা হৌখিবনি। মতম্দুদা সিটি অদুদা ক্রাইম, টার্গেট তৌদুনা মী হাৎপা অমসুং রেনসমগীদমক্তা মী ফাবগী থবকশিং খ্বাইদগী হেন্না কনখি।

ইন্টর সার্ভিসেস পব্লিক রিলেসন্সকী মতুং ইন্না, ওপরেসন অদুদা পাকিস্তানি রেঞ্জরশিংনা রেইদ ৭০০০ হেন্না চথুখিবগা লোয়ননা মীওই ১২,০০০ হেন্না ফাগৎখি। ফারবশিং অসিগী মনুংদা মীওই ৬০০০ তিপুলিসতা শিন্নখ্রেহায়রি।




HL-B/3268/19/08-18/09

## EMPLOYMENT NEWS

### Government of Manipur Recruitment 2016

Tourism Corporation of Manipur, Government of Manipur invites Application for the post of 08 Manager, Driver & Various Vacancies. Apply before 31 August 2016.

Advt. No. : 1/4/2016-TCML

**Job Details :**

Post Name : Manager
No of Vacancy : 04 Posts
Pay Scale : Rs. 9300-34800/-
Grade Pay : Rs. 4300/-

Post Name : Driver
No of Vacancy : 02 Posts
Pay Scale : Rs. 5200-20200/-
Grade Pay : Rs. 1900/-

Eligible Criteria for Government of Manipur Recruitment :
Educational Qualification :
For Manager : Graduate / Engineering Graduate in relevant discipline from a recognized university/ Institute with 5 years experience in relevant.
For Driver : Candidates must have passed class VIII from a recognized school with Valid Driving Licence.
Nationality : Indian
Age Limit : 28 to 38 years (as on 31.08.2016)

Age Relaxation :
For OBC Candidates : 3 years
For SC/ST Candidates : 5 years
For PWD Candidates : 10 years

Job Location : Manipur
Selection Process : Selection will be made on Personal Interview & Computer Test.

**Application Fee :** Candidates have to pay Rs. 400/- (for General /OBC) & Rs. 150/- (for SC/ST candidates) through cash at the TCML Office.
**How to Apply :** Interested candidates may apply along with relevant documents send to TCML Office, The Directorate of Tourism, North A.O.C, Imphal-West, Manipur on or before 31.08.2016 .

**Important Dates to Remember :**
Last Date for Submission of Application : 31.08.2016.
Important Links :
Detail Advertisement Link : http://manipur.gov.in/wp-content/uploads/2016/08/recruitment.pdf

### Government of Manipur Recruitment – 191 Office Assistant cum Computer Operator, Field Assistant & Various Vacancies – Last Date 03 September 2016

Directorate of Agriculture, Government of Manipur invites Application for the post of 191 Office Assistant cum Computer Operator, Field Assistant & Various Vacancies. Apply before 03 September 2016.

**Job Details :**
Post Name : Office Assistant cum Computer Operator
No of Vacancy : 22 Posts
Pay Scale : Rs. 5200-20200/-
Grade Pay : Rs. 1900/-

Post Name : Field Assistant/ Village Extension worker
No of Vacancy : 77 Posts
Pay Scale : Rs. 5200-20200/-
Grade Pay : Rs. 1900/-

Eligible Criteria for Government of Manipur Recruitment :
Educational Qualification :
For Office Assistant cum computer Operator : Graduate with completed course on computer concept from recognized institute.
For Field Assistant : 12th Science group pass.
Nationality : Indian
Age Limit : As per Govt. Rules
Job Location : Manipur
Selection Process : Selection will be made on written test, trade test & interview.

**How to Apply :** Interested candidates may apply in prescribed application form along with relevant documents send to Director of Agriculture, Manipur on or before 03.09.2016 .
**Important Dates to Remember :**
Last Date for Submission of Application : 03.09.2016.
Important Links :
Detail Advertisement Link : http://manipur.gov.in/wp-content/uploads/2016/08/notification-of-recruitment.pdf

### NIMHANS Recruitment 2016

National Institute of Mental Health and Neuro Sciences (NIMHANS) invites application for the post of 39 Clinical Psychologist, Psychiatric Social Worker & Various Vacancies on contract basis. Apply before 17 September 2016.

Advt. No. : NIMH/PER(7)/RECT/ADVT–05/2016-17

**Job Details :**
Post Name : Clinical Psychologist
No. of Vacancy : 09 Posts
Pay Scale : Rs. 9300-34800/-

Post Name : Psychiatric Social Worker
No. of Vacancy : 09 Posts
Pay Scale : Rs. 9300-34800/-

**Eligibility Criteria for NIMHANS Recruitment :**
Educational Qualification :
For Clinical Psychologist : First or second class M.A/ M.Sc. degree in Psychology OR equivalent qualification in Psychology of a recognized University / Institution and DMP / DMSP / M.Phil in Medical & Social Psychology OR equivalent qualification from a recognized University/Institution.
For Psychiatric Social Worker : First or Second Class Master Degree in Social Work from a recognized University / Institution and first or second Class two years M.Phil in Psychiatric Social Work from a recognized University / Institution.
Nationality : Indian
Age Limit :
For Clinical Psychologist & Psychiatric Social Worker : 35 years
Job Location : Bangalore ( Karnataka )

**Application Fee :** Candidates belonging to General/OBC have to pay Rs. 750/- & Rs. 500/- for SC/ST Candidates through Challan.
**How to Apply NIMHANS Vacancy :** Interested candidates may apply in prescribed application form along with relevant documents, experience certificate & challan send to The Director, NIMHANS, P.B.No.2900, Hosur Road, Bengaluru– 560 029, India, on or before 17.09.2016

Important Dates to Remember :
Last Date for Submission of Application : 17.09.2016
Important Links :

Detail Advertisement Link : http://nimhans.ac.in/sites/default/files/Notification-Advt-5.pdf
Download Application form Link : http://nimhans.ac.in/sites/default/files/Application%20form_6.pdf
Download Challan Form Link : http://nimhans.ac.in/sites/default/files/Remitance%20Slip_4.pdf